# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




তুপুলদগী ইম্ফাল ফাওবা য়ৌনবা রেলৱেগী টনেল হুৎলিবা সহিবুঙদা লৈবা এদিটতা কিলোমিটর ২ রোম চঙশিল্লগা লৈবা জঙ্কসনদা এম পি, আর কে রঞ্জন অমসুং এম এল এ, এস রাজেননা য়েংশিনবগী শক্তম



তোকিওদা পাঙথোকখিবা নমষ্টে ইন্দিয়াগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট দান্স কলেজগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী টিম



জেনিমস অমসুং মণিপুর পুলিস হাউসিং কোর্পোরেসন অনীনা পূন্না শীন্দুনা জেনিমসতা পাঙথোকখিবা ন্যুরো সর্জরি ৱার্দ শঙ্গাবা অমসুং প্রাইভেট ৱার্দ ১৮ শানবা সি এমনা উরেপ উয়ুং তম্বগী শক্তম অমা


Volume No: 43 Issue: 319 | IMPHAL TUESDAY 15 OCTOBER, 2019 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১৭ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্লা নশা ফন্দোক্ত্রিবা ফাওবদি নহাক কয়া লাপ্পা পাইবা ঙমগদগে হায়বদু খঙলোই

## অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩৪.১৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৭.৯৭° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.১২
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৪৮

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৯.৬৩
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৭২


**BANKER & BANK STAFF**

নিংথৌল 'Chakkouba & Diwali' গী Spl. Discount & Spl. price থমজরি, পীজগনি। Banker & Bank Staff গী সু Spl. offer লৈগনি।

Refrigerator 500 Ltr. Double door DIOS side by side Model, Washing Machine, TV (LED), Micro Woven, Samsung, Godrej, Sansui

SARAJEEVAN ENT
VIDEOCON HOUSE
SONY HOUSE
PAONA BZ, IMP.

**INTEX**

| WASHING MACHINE | |
|---|---|
| 6.2 KG | = ₹ 8000 |
| 7.2 KG | = ₹ 9200 |
| 8KG | = ₹ 10200 |
| 6.2KG GODREJ | = ₹ 8200 |
| 7KG NEW GODREJ | = ₹ 9200 |
| 8KG GODREJ | = ₹ 11500 |
| 8.5KG GODREJ | = ₹ 12000 |
| REFRIGERATOR | |
| 181 L GODREJ | = ₹ 10600 |
| 190 LT SAMSUNG | = ₹ 11400 |
| 190 LT 3 STAR Godz | = ₹ 12800 |
| 200 LTR 3 STAR | = ₹ 13000 |
| INTEX LED (3 YRS WARRANTY) | |
| 32' LED (3220) 1YR | = ₹ 10000 |
| 40' LED + TATA SKY | = ₹ 20500 |
| 50' LED + TATA SKY | = ₹ 30500 |

VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.


## লোইরেদনা

খূৎ–শা হৈবশিংগী টেলেন খঙদবা নত্তে অদুবুনে লায়রবা লমদম ওইরম্বনা...



অদুবুদি শারিবা য়ুম, থৌরিবা গাড়ী, লৈরিবা প্লোটশিংদুনা অদুম জ্ঞান তাজেদা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### নুংশিনবা

মচিন মনাও নুংশিনৈ
নোংমখক নুংশিনৈ
খুদোল পোৎ লান্নে
মচিন মনাও নুংশিনৈ
ময়াম্বনা লাপথোকই
মনাওনা নকশিল্লি
ময়াম্বগী চীংদদি
মনাওনা চঙলুবা য়াদেদো
মনাওগী তম্পাক্তদি
ময়াম্বনা খুন্দাইদো
ময়াম্বনা অসুম খোপচিনখি
মনাওদি লৈফম লৈরক্ত্রে
চহী খুদিংগী মেরাদা
মনাওনা মৈ থাঞ্জেদো
ময়াম্বা উনবা হায়দুনা
ময়াম্বনদি মৈ থাদরে
মনাও উনবা হায়দুনা
মচিন মনাও নুংশিনৈ
নোংমখক নুংশিনৈ

### খুল খুদিংদা কুকিশিংনা য়ুংলিবা মেমোরিয়েল ষ্টোল ৱায়াম্নরক্লে

# অঙ্গলো কুকি ৱার মেমোরিয়েল ষ্টোন লৌথোকপা য়ারোই: কুকি ইনপি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ বৃটিশকা কুকিশিংগা শোক্লখিবা লানফমগী চহী ১০০ শুরকপা থৌরমগা মরী লৈননা কুকিশিংনা খুদাবা খুলশিংদা *ঐখোয়গী ইপা–ইপুশিংগী লম ঙাক্লবা অমসুং নীংতম্বা* হায়না হকপা নীংশিং নুঙবীশিং য়ুংশিল্লুবদগী ৱায়াম্নবগী ফীভম অমা লাক্লে।

নাগাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চিয়ার্মেন খরনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা এঙ্গলো কুকি ৱারগী চহী ১০০ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা য়ুংলিবা নুঙবীশিংদা থারিবা ৱাহৈশিং অদু লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌনরকখি। অমরোমদনা কুকিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা নুঙবীদা হক্লিবা ৱাফমশিং অদু লৌথোকপা য়ারোই হায়দুনা মুক্লবগী ফীভম অমা শেমগৎলক্লে।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবদা অঙ্গলো কুকি ৱার সেন্টিনরি কোমমেমোরিয়েল কম্মিটিগী চিয়ারমেন জাংমাং হাওকিপ্পা হায়, কুমজা ১৯১৭ দগী ১৯১৯ ফাওবা চহী ৩ চুপ্পা শোক্লখিবা অঙ্গলো কুকি লানগী চহী ১০০ শুরকপগী গোল্ডন জুব্লি থৌরমগা মরী লৈননা কুকি কাংলূপশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা য়ুংখিবা মেমোরিয়েল ষ্টোনশিং লৈঙাক অসিনা লৌথোক্লবা হোৎনরকপা অদু য়াবা ঙম্লোই। থৌওং অদু খুদক্তা লেপত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কুকি ইপা ইপুশিংনা চহী অহুম চুপ্পা অঙ্গলো কুকি লান শোক্লখিবা অদু মণিপুর লৈবাক মীয়াম পূম্বগীনি। ইপা ইপুশিং অদুনা ঐখোয়গীদমক তৌবিরম্বা থবকশিং অমদি মখোয়গী মথৌনা মরিংজেলবু ইকায় খুম্নবা ওইনা থৌদোক অদুগী চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবগা মরী লৈননা মেমোরিয়েল ষ্টোনশিং অদু য়ুংগদবনি। মেমোরিয়েল ষ্টোন য়ুংশিল্লি হায়দুনা মফম অদু কুকিশিংনা লৌশিনগনি হায়বা নত্তে। নীংশিং খুভম থম্বা অদু খক্তনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা, লৈঙাক্লা মেমোরিয়েল ষ্টোনশিং লৌথোক্লবা হোৎনরকপা অদুনা লৈবাক মীয়ামদা কুকিশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনরে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী থৌওং অদু খুদক্তা লেপক্কদবনি। করিগুম্বা লেপত্রবদি কুকি মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংগী অফ ফত্তগী দাইত্ব লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লাক্লিবা ওক্তোবর ১৭ তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী চকপিকারোং ব্লোক্কী মনুং চনবা লাংচীং খুন্দা অমদি মচি ব্লোক্কী মনুংদা লৈবা মওল হাং খুন্দা অঙ্গলো কুকি ৱার (১৯১৭–১৯) গী চহী ১০০ শুরকপগী সেন্টিনরি সেলেব্রেসন তৌনবা হোৎনরিবা অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি মখোয়গী মপা মপুগী লমনি হায়বা য়ানবা শিনবা থৌরাংনি হায়না চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কুকিশিং অসি মণিপুরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা ১৮৪৫ দা চঙলক্লগা মঙারোলদা খুন্দাখি। কুকি লানহৌ ১৯১৭–১৯ অসি বৃটিশ লেবর কোরপ রিক্রুইট তৌবগী মায়োক্তা দিসেম্বর ১৯, ১৯১৭ তা হৌরগা মে ২০, ১৯১৯ দা লোইশিনখিবনি। মতম অসিদা মখোয়না চান্দেলদা খুন্দারিবসিদি মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্টনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না নাগা লম মপুশিংদা লৌশেল পীরগা লৈখিবনি। ওর্দর অসি কয়ারক হন্না সিভিল কোর্টতা শিংনরবসু মখোয় অসি রিফ্যুজিনি হায়দুনা য়াখিদ্রবনি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি কুকিশিংগী মপা মপুগী লম নত্তে হায়বসি মসিনা প্রমান ওইরে হায়রি।

সেন্টিনরি সেলেব্রেসনগী নীংশিং নুঙ য়ুংগনি হায়রিবা লাংচীং খুল অসিসু কুকিশিংগী মপা মপুগী লম নত্তে। মসি শুগুনু চীংথৈ হায়না খঙনরম্বা লমকাংশিংনা খুন্দারম্বা মফমনি। লমকাংশিংনা তাংচেংদা হোংখ্রবা মতুংদা কুকিশিংনা খুন্দাখিবনি। অদুগা অতোপ্পা নীংশিং নুং য়ুংগনি হায়রিবা মচি ব্লোক্কী মওলহাল খুন অসিসু খোইবু খুঞ্জাও খুননা অয়াবা পীরগা *মখা লমায় ৩দা...*


নো স্কুল বেগ দেগী কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে


# 'নো স্কুল বেগ দেগী থৌশিল স্কুল ছুটি ওইনা লৌরোইদবনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ পীক্লিবা অঙাংশিংনা স্কুল কাবা মতমদা পীরিবা প্রেসরশিংদগী খরদং ওইরবসু হস্থহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইরিবা নো স্কুল বেগ দে ওইরিবা থাংজ নুমিত্তা স্কুলশিংনা ঙাক্লা চৎকদবা পরমশিং য়াখোকখ্রে। নো স্কুল বেগ দেবু ছুটি ওইনা স্কুলশিংনা লৌরোইদৌবনি হায়রি।



দাইরেক্টর ওফ এদুকেসন (স্কুলস) টি ঐচ কিরনকুমারগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা হায়, হিরম অসিগা মরী লৈননা ওফিস মেমোরেন্দম অমা ঙসি থোকখ্রে। ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি লমদম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং, এদেদ স্কুলশিং অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংদা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা তল্লিবা মহৈরোইশিংদা স্কুল অসি নুংঙাইরবা মহৈ তম্নবগী মফম অমা ওইনা ফাওহন্নবা, অঙাংশিংদা পোজিটিভ কলচর অমা শেমগৎনবা, ইনোভেটিভ অইদিয়াশিং উথোক্লবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইনা অমদি অরুম্বা স্কুল বেগশিং পুবগী চৈথেং অমসুং মদুগী ৱাখলগী পোৎলুম অদু হস্থহন্নবা পান্দমদা থাংজ খুদিংমক অসি নো স্কুল বেগ দে হায়দুনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৩ দা ওফিস মেমোরেন্দেম অমা থোকখ্রে।

নো স্কুল বেগ দে অসি হেন্না মওং তানা অমসুং মহৈরোইশিংদা কান্নবা পীবা মওংদা চঙশিনবা ঙম্নবা মওংদা চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। অঙাংশিংবু নুংঙাইহন্নবা মচাক পীবা অমসুং হরাউহনবগী মথক্তা চহীগা চান্নবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপীবা তঙাইফদে। অঙাংশিংবু মখল মখা কয়াগী থবক থৌরমশিং থাঙজ অসিদা পাঙথোকহনগদবনি।

মহৈরোইশিংগী চহীগা চান্নবা থবক থৌরমশিং অদুনা খুন্নাই অমদি অকোয়বগী ফিভমদা কান্নদবা মওংদা ৱাহন্থোক লৈবা থবক থৌরমশিং, হকশেলগা মরী লৈনবা, ফিজিকেল অমসুং মেন্টেল হেল্থকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মহৈরোইশিংদা থাংজ নুমিৎ অসিদা পাঙথোকহনগদবনি।

ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা তল্লিবা মহৈরোইশিংদা মখোয়না নুংঙাইগদবা ফিজেৎশিং থাংজ নুমিৎ অসিদা শেৎহনবা য়াই। অদুম ওইনমক স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎপা নৎত্রগা মখোয়না নুংঙাইগদবা ফিজেৎ শেৎপগী ৱাফম অসি স্কুলশিংগী অপাম্বদা তৌজবা কায়দে। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি পাঙথোক্কদবনি হায়দুনা মহৈরোইশিংদা নুমিৎ চুপ্পা অমা চত্থহনগদবা নত্তে। থবক থৌরমশিং অসি পুংখায় অমদগী পুং অমা মখায়গী চাং ফাওবা মরক মরক্তা মিনিট ১৫ দগী পুংখায় অমগী চাং পোথানবা মতম পীগদবনি।

অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎপা নৎত্রগা মনাক নকপা ওফিসশিংদা নৎত্রগা পিক্নিক চৎপা মতমদা ওইরবদি মদুগী মতম অদু স্কুলশিংনা লেপচবা কায়দে। থবক থৌরমশিং অদু অঙাংশিংনা পাম্বা মওংদা চত্থহনবগা লোয়ননা মখোয়না মথংগী থাংজ লাকপা ৱানা ঙাইনিংবগী ৱাখল ফাওহন্নবা মওংদা চঙশিনবা তাই হায়খি।

স্কুল খরদা নো স্কুল বেগ দে অসি স্কুল ছুটি ওইনা লৌদুনা ছুটি থাদোকপগী পাউ লৈ। নুমিৎ অসি ছুটি ওইনা লৌরোইদৌবনি। লোয়ননা অতে স্কুল কাবা নুমিৎশিংগা *মখা লমায় ৩দা...*

# মণিপুরী জগোয়–ঈশৈনা জপানগী কূন্ধে য়েংলিবা মীয়াম পূক্নিং শুম্মৎখ্রে: জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী জগোয় ঈশৈনা জপানিজশিংগী পূক্নিং শুমহৎখ্রে। জপান মচা কয়ামরুম মণিপুরদা জগোয়–ঈশৈ তম্নবা লাক্লে হায়না ফোঙদোরক্লে হায়না আর্ট এন্দ কলচর, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোক্তা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়, জাপানগী তোকিওদা পাঙথোকপা নমষ্টে ইন্দিয়াগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারুনবা মহাক মশামক য়াওনা আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট দান্স কলেজগী ওজা অমসুং মহৈরোইশিং য়াওবা টিম অমা জপান্দা হন্দক্তা চৎলুবনি।

খোঙচৎ অদু য়াম্না মায় পাকপা খোঙচৎ অমনি হায়রদুনা মিনিষ্টরনা হায়, থৌরম অদুদা মণিপুরগী ওইনা কংলৈ হরাউবা, থৌগল জগোয়, কবুই জগোয়, থাঙ–তা, পুং চোলোম, বসন্ত রাস, শৈথা ঈশৈ, সংকীর্ত্তনগা মরী লৈনবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎখি।

মহাক্লা মফম অদুদা ইংলিশনা ৱাফম থল্লবসু মখোয়গী লোলদা ইংলিশ খঙবা অমনা হন্দোক্লগা মীয়ামদা খঙহনখি। মফম অদুদা লৈবা জপানিজশিংনসু ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা জগোয়শিং শাখি। মদু উবদা ইন্দিয়াগী মীয়ামসু অঙকপা ফাউখি।

মণিপুরী জগোয়গী তোপ তোপ্পা মশক অদু উবদা মফম অদুগী মীয়াম্না মণিপরগী কাঙবু অদু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পর্ফোমেন্স উৎনবগী খুদোং চাবা পীখি। *মখা লমায় ৩দা...*

# মমীৎ অনীমক উদ্রবী নুপী অমা আই এ এস ওইনা থবক পুখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি)ঃ লৈবাক অসিদা খ্বায়দগী তোল্লবা মীওইবা মপোকনি হায়না লৌনরিবা অমসুং লৌনরিবীশিংদা অনৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পা ওইনা মমীৎ অনীমক উদ্রবী প্রানজাল পতিল কৌবী মহারাষ্ট্রদগী নুপীমচা অমা কেরলা কেদরগী আই এ এস ওফিসার ওইনা সব–কল্লেক্তরগী থবক ঙসিদগী পুবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী অনৌবা পুৱারীগী পন্দুপ অমা ওইরবা চহী ৩০ শুরবা প্রানজাল পতিলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা মমীৎ উদবী নুপী আই এ এস ওফিসার ওইনা কেরলাগী ইর্নাকুলস দিষ্ট্রিক্তকী এসিষ্টেন্ট কলেক্তর ওইনা চার্জ লৌখি। অসিগুম্বা পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌদোক অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সেনিয়র সুপ্রিনন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অতে গভর্ণমেন্টকী সেনিয়র ওফিসারশিংনা মহাকপু ওকখি।

পোকলকপদগী মমি শামি উদুনা লাক্লবা পতিলনা চহী ৬ শুরকপদা মমীৎ অনীমক উবা ফংখিদে। অদুবু অসিগুম্বা অশোনবা অসিনা মহাক্কী আই এ এস ওফিসার ওইনিংবগী মঙলান অদু থুগাইবদি ঙমখিদে। পতিলনা খুদোংচাদবা পূম্নমক মায়োক্লদুনা কন্না হোৎনদুনা অহানবা থাবামক্তদা য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কমিসনগী এগজামিনেসন পাস তৌবা ঙমখি। এগজামিনেসন অদু ঙম্লবা মতুংদা মঙোন্দা ইন্দিয়ান রেলৱে একাউন্দ সার্ভিস পীরম্মী। অদুবু মহাক্কী মমীৎ উদবা অদুনা *মখা লমায় ৩দা...*

# ইম্ফাল–মোরে লম্বী বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মোরে ৱার্দ নম্বর ৮দা লৈবা কে এস ও ওফিস কমপ্লেক্সকী ৱাল ময়াদা আই ই দি অমা পোখায়খিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদা ফোঙদোক্তুনা মোরেদা খুন্দারিবা কুকি ফুরুপনা কৌখিবা মতম কক্তবা ইম্ফাল মোরে লম্বী বন্দ হন্দোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থা অসিগী ১১গী নুমিদাং পুং ৭.৫৮ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদে হায়দুনা মোরেদা লৈরিবা কুকি সি এস ওশিংনা থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুগী হেক নোংঙানবদগী ইম্ফাল মোরে লম্বীদা মতম কক্তবা বন্দ চত্থদুনা লাকখি। অদুবু ঙসি অয়ুক হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী ওফিসতা *মখা লমায় ৩দা...*

# লৈঙাক মরা চেৎহন্নবা, এচিফমেন্ট উৎনবা হোৎনরিঙৈদা মীয়াম উন্নবা ফংদ্রে: সি এম



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মরা চেৎপা লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনবা অমসুং অনৌবা লৈঙাক পায়রকপগী এচিভমেন্ট উৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগা উন্নবগী মতম ইফং ফংদ্রে। লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক ৱাখল খনবা মতম ওইরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি হৈঙাং মন্দলনা শীন্দুনা কোইরেঙ্গৈ বাজারদা পাঙথোকপা গান্ধী সঙ্কল্প য়াত্রাগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক অসিনা হেক চুপ্পি পায়রকপদগী লমদম অসিদা অহোংবা খরদি উবা ফংলে। নিংথৌ পানলিঙৈগী মতমদগী হৌদুনা নিংথৌগী মায়োক্তা নৎত্রগা মহাকপু শৌগৎপা খরদি অদুমক লৈবনি। মসিদা ৱারৌনরুবা য়াবা নত্তে। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী প্রজাশিংগী নিংবা থুংদ্রবসু লৈবাক্কী ওইনদি মপূং ফানা নীংবা থুংহন্নবা *মখা লমায় ৩দা...*

